**AIR, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(DATE 01-10-2023)**

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মহৈরোই অনি হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি সি.বি.আইনা ফারে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মীওই মরি অদু লান্মী, পেরা মিলিটরি ফোর্স, মনিপুর পুলিস অমদি সি.বি.আইগী অপুনবা কাংবুনা ফাখিবনি। ফারবা মীওই মরি অদু সি.বি.আইগী স্পিসিএল টিমনা মনিপুরগী মপানদা পুখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি ম্যান্মার অমদি বঙ্গলাদেসতা বেজ তৌবা কুকি মিলিটেন্টশিং অমদি মনিপুরদা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট খরনা থোকহনবনি হায়বসি ময়েক শেংলে। ৱাথোক অসি কাংলুপকী ওইবা ইরাং নত্তে। অদুগা রাজ্য মনুংগী আইন অমসুং শাক্সাগী ওইবা ৱাফমসু নত্তে। মহাকা হায়-এন.আই.এনা সেনমিনলুন গাংতেবু ভারত সরকারগী মায়োক্তা লাল হৌদুনা মনিপুরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম থোকহনবা মীশকনি হায়না ফাখ্রে। হৌজিক থেংনরিবা অমদি থেংনগদৌরিবশিং অসি ভারত সরকারগনি হায়বসি ময়েক শেংলে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনদবা অমদি অমগা অমগা নুংঙাইনরোইদবা ৱাফম সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপীদনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**লৌমী (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী ইরাংনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা লুপা কোতি ৩৮ লাখ তরুক্কী ক্রোপ কম্পেসেসন পেকেজ পীরগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-লৌমীশিংগী বোদি অমা ওইরিবা লৌমী-শিন্মী

অপুনবা লুপ (লৌসাল) গী সর্ভে অমনা হায়-রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী লৌবুক হেক্তর লিশিং ৯,৭১৯ লোমদা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা লৌ পানবা ঙমখিদে। মসিনা রাজ্য অসিগী ওইনা লৌউ শিংউগী লমদা চহি অসিদা লুপা কোতি ২২৬ লাখ ৫০ রোম মাঙহল্লে।

রাজ্য অসিগী ইরাংনা শোকহল্লবা তম্পাক্কী জিলা মঙা-বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাগী মনুংদা বিষ্ণুপুর জিলাদনা লৌউ শিংউগী লমদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

**সুসিন্দ্রো (এল)ঃ** কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-এল. সুসিলদ্রোনা হায়রি-রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা মন্ত্রিশিং অমদি এম.এল.এশিংনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। ন্যু দিল্লিদগী ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা মন্ত্রিনা হায়-মখোয়না ন্যু দিল্লিদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমদি লুচিংবা কয়াগসু উন্নদুনা মনিপুরগী মতাংদা পাউদম্বগা লোয়ননা মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা তকশিনখি।

মহাকা হায়-লমদম অসিদা শান্তি পুরকবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা মেদিয়েটর ওইরগা উংখৎনরিবা কাংলুপ অনিগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ। য়ুথ ওফ মনিপুরনা মুখ্য মন্ত্রি শিন্দোকপা অমদি এম.এল.এশিং ফম থাদোকবা তাল্লিবা দাবী অদুবুসু মহাকা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-

মুখ্য মন্ত্রি শিন্দোকপগী ৱাফম য়ুথ ফোর চেঞ্জ-হৈঙাংনসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। ঙসি লুৱাংশংবম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ফোর চেঞ্জকী মীফম অমনা ৱারেপনখিবনি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** মহৈরোই অনি হাৎখিবগী থৌওং অমদি থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা, মহৈরোইশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তাথি-তাওইনা তৌখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা

মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমদি রেল্লিনচিংবা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

তেরা লৌখাম লৈরক কম্যুনিতি হোল, শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক, ক্বাকৈথেল, সঙাইপ্রৌ, নাওরেম লৈকাই, অসেম লৈকাই, মাইবম লৈকাই ময়াই কম্যুনিতি হোল, তিলিপতি, লোইতাং খুন্নৌ, লংথাবাল, কোংপাল, নহারুপ অৱাং লৈকাই, মাকলং অৱাং লৈকাই, মাকলং মখা লৈকাই, পৌরাবি, সেকমাইজিং হনগুন অৱাং অমদি ময়াই লৈকাই, ইপা থৌকোক-নাওরেমথোং, থৌদাম অপুনবা মৈরা পায়বী, উচিৱা লৈরক অচৌবা, খাঙবোক পার্ট টু ময়াই কৈথেল, অথোকপম কৈথেল, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা চবুংবম মমাং লৈকাই, থাঙ্গপাৎ মপাল ময়াই লৈকাই ৱিমেন্স দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন, লাংজিং অচৌবা ৱিমেন্স ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননচিংবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথুখি।

ৱাঙ্গোই কেন্দ্র অপুনবা মৈরা পায়বীনসু মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা রেল্লি চৎখি। মখোয়না তোঙান তোঙানবা দাবীশিং য়াওবা মেমোরেন্দমশিং এম.এল.এ. খুরাইজম লোকেন অমসুং বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট-ওইনাম লুখোইদা পীশিনখি।

কংলৈপাক কনবা লুপ-মনিপুরনসু মহৈরোই অনি হাৎখিবা মীওইশিং অহকপা দন্দি পীনবা অমদি মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা মহৈরোইশিংদা কা হেনবা থৌওং চথুখিবা সেক্যুরিতিগী মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা হায়রি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমসুং রাজ্য পুলিসকী অপুনবা কাংবু কাংপোকপী, থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা কাংপোকপী জিলাদগী রাইফল অমা অমসুং মোটোর অমা ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। ককচিং জিলা অমসুং থৌবাল জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**রেলগাড়ি (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা দভা ১২ য়াওবা রেলগাড়ি অমা ঙসি অয়ুক নোনে জিলাগী খোংশাংদা থুংখ্রে। কাংলুপকী ইরাং থোক্লবা মতুংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং রেলগাড়িনা পুশিল্লকপা, হন্দক্কী অসিনা মঙারকশুবনি।

**গান্ধি জয়েন্তি (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু হয়েং জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক কুমওন গান্ধি জয়েন্তিকী থৌরম পাঙথোক্কনি।

জাতিগী লু-নানবা নুমিৎ হায়না পালন তৌরিবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকে অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী শান্তি অমসুং পুন্না হিংমিন্নবগী পাউজেল অদু ঙসিগী মনিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা য়াममক চুংশিন্নরি। মহাকা হায়-মহাত্মা গান্ধিনা মহাক্কী খ্বাইদগী শক্তি লৈরবা খুৎলায় অহিংশা শিজিন্নদুনা বৃটিশকী সাসনদগী লৈবাক অসিবু নীংতমহন্নবগী ইহৌ লমজিংখি। রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধি অসি অশেংবা করমা যোগী অমনি। রাজ্য অসিবু তরু-তান্নবা লমদম অমা ওইহনদুনা লৈবাক পুম্বা লু-নান্না থমবগী নুমিৎ পালন অসি আর্থ থোকহল্লসি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা

হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-মহাত্মা গান্ধি অসি অহিংশা, নুংশি চান্ননা পুন্না হিংমিন্নবা, মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমসুং ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নায়দবগী দুত অমনি। ঙসিগী মালেম অসিদা মহাক্কী অহিংশাগী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চুশিন্নরি।

শ্রী বিরেননা হায়-গান্ধি জয়েন্তিনা লাকপদা মহাক্কী ৱাখল্লোন অমদি শিংনরকপা কয়া মায়োকবগী থৌওং অদুবুসু কাউফম থোক্তে। অসিগুম্বা শিংনবশিং অসি মায়োকবদা হিংশাগী থবক থাদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী খুদুং ইন্নবসু মুখ্য মন্ত্রিনা হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্যগী মহুদ বিভাগনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল সহর অমদি মসিগী অকোইবদা লম-তু শেংবগী থৌরম এক তারিখ, এক ঘন্তা কেম্পেইন অয়ুক পুং ১০ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখি। ভারত সরকারগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না পায়খৎপা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর সরকারনসু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী ওফিসিএল অমসুং ষ্টাফশিংগা লোয়ননা ইম্ফালগী বি.টি. পার্ক, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবা অমোৎ অকায়শিং শেংদোকখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু এক তারিখ, এক ঘন্তা কেম্পেইন চথুদুনা লম-তু শেংদোকখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পাউতাক মতুং ইন্না ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা এক তারিখ, এক-ঘন্তা, এক-সাথকী শরুক অমা ওইনা চথিখিবা পাক শন্না লম-তু শেংখ্রে।

শ্রী মোদিনা লুচিংদুনা ঙসি স্বাচতা হি সেবা অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা লম তু শেংবগী খোঙজং মনুংদা ফিটনেস ইনফ্লুয়েন্সর অনকিট বাইয়ানকুরিয়া ৱারী শান্নবগী ভিদিওসু থাগৎখি। মীয়াম তিনফমশিং, কৈথেল,

রেলৱে তাল্লি, ঈশিং তুংবা মফমশিং, টুরিষ্টশিংনা লাকপা মফমশিং অমদি লাই খুরুমফমনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং, শিনফম খুদিংমক্তা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা শেংদোকপগী থবক চথখি।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-ভুপেন্দর য়াদবা, ধমেন্দ্র প্রধান, ডা: জিতেন্দ্র সিংহ, হরদ্বিপ সিংহ পুরি, মিনাক্সি লেখি, রাজিব চন্দ্র সেখর অমসুং অতৈ লুচিংবা কয়ানা স্বাচতা অভিয়ান অদুদা শরুক য়াখি। পাক শন্না লম-তু শেংবগী খোঙজং অদুগী মখাদা লৈবাক অসিগী সহর অমদি খুঙ্গংগী মফম লাখ তরুক লিশিং ৪০ হেন্না শ্রমদান ওইনা শেমগৎখি।

**স্বাচতা (এল)ঃ** লৈবাক অসিবু তরু-তনানবা, অমোৎ-অকায় লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা থা অসিগী ১৫ দগী মতং থাগী অনি ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংবদা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেন চথরি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু কেম্পেইন অসি পাক শন্না পাঙথোক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা কেম্পেইন অসি মপুং ফানা চথরি।

জিরিবাম জিলাদসু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লম-তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি। জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু জিলা অদুগী খুঙ্গং ২০ দা শেৎ-শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

সেল্ফ হেল্প ক্লব-লৈফ্রাকপম, নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল, কেন্দ্র বিদ্যালয় নম্বর ৱান অমসুং সি.আর.পি.এফকা ৮৬ শুবা বটালিয়ননসু স্বাচতা পখাৱারাগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লম-তু শেংখি।

**মেরি মাতি (এল)ঃ** ভারতনা নীংখা তন্নকপা চহি ৭৫ শুরকপগী পালন থৌরম অজাদিকা অমৃত মহোতসবকী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা মেরি মাতি মেরা দেশকী পালন থোরম রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোক্লি।

**বিস্বাকরমা (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৭ বিস্বাকরমা নুমিত্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুৎশা হৈবা মীওইশিং অমসুং আর্টিসিয়নশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা বিস্বাকরমা স্কিম হৌদোকখি।

থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুৎশা হৈবা মীওই অমসুং আর্টিসিয়নশিংবু লাখ ৩০ রোমদা কান্নবা পীগদৌরি। স্কিম অসিনা হৈথোই শিংথোইরবা খুৎশা হৈবা মীওইশিংদা শেন্থোক পীবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ত্রেনিংশিংসু পীগনি। স্কিম অসিনা বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈরিবা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা খুৎশাগী হৈবগী থবকশিং তৌরিবা মীওইশিং কান্নবা লৌরনবা হোৎনরি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগা অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি ৩৩ শুবা মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সিয়ার এন্দ কিয়ার ৱাংখৈনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা সেনিয়র সিতিজন্স হোমদা পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার নোনেনসু য়ুনিভরসেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস ফোর ওলদরস পার্সনগী ৱাকশকশিং মপুং ফাহনবা হায়বা থিমদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম-ককচিংনসু ঙসি মালেমগী অহল ওইরবশিংগা নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ওল এজ হোম অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিংদা খুদোলপোৎ

পীদুনা ইকায় খুমখি।

**ইন্টরেক্সন (এল)ঃ** ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মীয়ামগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। রাজ্য অসিদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎহন্নবা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অদুদা জমা মসজিদ লিলোংগী ইমাম, মীতৈ পাঙলশিংগী লুচিংবা কয়া অমসুং থৌবাল জিলাগী খুলগী লুচিংবা কয়া য়াওখি।

**গেমসঃ** হাংজো এসিয়ান গেমসতা ভারতনা হৌজিক ফাওবদা সনাগী ১১, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৪২ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা মরিশুবদা লৈরি।

চাইনানা সনাগী ১২০, লুপাগী ৭১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৭ ফংদুনা পুন্না তকমান ২২৮ ফংদুনা অহানবদা অদুগা রিপাব্লিক ওফ কোরিয়ানা সনাগী ৩০, লুপাগী ৩২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫৮ ফংদুনা অনিশুবদা অদুগা জপাননা সনাগী ২৯, লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৯ ফংদুনা অহুমশুবদা পোজিসনদা লৈরি।

**দেদ (এল) ঃ** পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ইমা মেমচৌবী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী সিজ হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৪ শুখ্রে।